ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ০১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২১২শুবা মশীং

# ইনভেষ্টিগেসনগী থবক

## শুদোক চামথোকপগী মথৌ তারক্লব্রা

ষ্টেটসিগী পুলিস অতোপ্পা ফোর্সশিংগা চাংদম্নরুবদা অদুক য়াম্না নোপত্রে হায়বা য়ারবনি। থোইদোক হেন্দোক্লা মথৌনা মরিংজেল, হৈথোই শিংথোইবদসু মপান্দগী লাকপা ফোর্সশিংনা ফাওবা লূম্না লৌরিবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক ষ্টেটসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎলে হায়রিবসিসু মপূং ওইনা ষ্টেট পুলিস ফোর্সকী হোৎনজমন্দগীনি। ফোর্সসিগী অচৌবা ক্রেদিট লৈ। অদুবু ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তুদি হোত্রোং হোবা নৎত্রগা থরেক-থরেক্লনা তৌবা মানবগী থৌদোকশিং হেক-হেক থোরক্লিবসিবু করিগীনো? লো এনফোর্সিং এজেন্সী অমদদি ‘ইনভেষ্টিগেসন’ হায়বসি য়াম্না মরু ওই। কয়ামুক মরু ওইবগে হায়ববু থবকসিনা ‘য়াংলেন শরূ’ নি হায়বা ফাওবা য়াই। মরম অসিনা ইনভেষ্টিগেসনগী থবকসিদগা অহোবা, অশোয়বা নৎত্রগা চিথ-নান্থবা লৈহন্দ্রগদি মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্ট অসি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা, শরেংসু থোংবা থাওসু থাকপা শোয়দনা ওইগনি খল্লি। মসিগী মতিক চারবা খুদম চাংদম ময়াম লৈ। হৌজিক শোক্নরক্লিবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী লান (ৱার ওন দ্রগস) সিদসু অদুম্মঙাই। লোগী ৱাংমদা লৈবা য়াম্লবা হিরোইন, ব্রাউন সুগর, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, প্রেস্কিপসন য়াওদবা য়াম্লবা এস পি কেপস্যুলশিং, গঞ্জা, কানিনচিংবা ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। অদুবু ইল্লিগেল ওইনা থম্লম্বা, পুথোক-পুশিন তৌবা, য়োনবা নৎত্রগা চাবা-থকপা তৌবশিং ফাবা-পুনবা মতমদা হকথেংননা ফারবা মীওইশিংদুগী মথক্তা কেস লৌখৎলি। এন দি এন্দ পি এস এক্তকী চুনবা সেক্সনশিংগী মখাদা চার্জ তৌই। মথৌ তারক্লগনা আই পি সীগী সেক্সন খরা ফাওবা রিফ্লেক্ট তৌই। তৌদে হায়বা নত্তে তৌই। ফারবা মীওইশিংদু কোর্টতা পুথোক্লগা পুলিস কষ্টদি লৌই। জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা কোর্টতা প্রেয়র তৌরকই। অদুবু ইল্লিগেল ওইবা পোৎলমশিংগা কোন্ননা ফারবশিংদু খক্তদা কেস অদু লোইশিনবগী ফীভমদা হেক্তা লাকই। পুরল্লিবা মীওইশিংদুনা য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিংদুগী মপু ওইবা ঙম্ব্রা? অতোপ্পা মপু অমা লৈব্রা? লৈরম্লগনা মহাকপুসু কেস অদুগী মখাদা বুক তৌননবা হোৎনবরোমদদি ইচং চঙশিল্লক্তবগুম তৌই। মসিমক্লা মপী ফাদোক্লগা চৈরাক পীহৌদবনা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবগী থৌদোক লোইশিনবা নাইদনা লেপ্তুনা থোরক্লিবনি হায়বদা লানগদ্রা?

পোপি পাম্বীগীসু অদুমঙাই। পোপি মরূ ফারে, থাননবা মফম শেংদোক্লন্নে, য়ুরিয়া পৈশিল্লন্নে হায়নি। ফাগৎলক্লেসু হায়নি অদুবু হোৎনরক্লিবা মীওইশিংদু কনা কনানো? কদাইদগী করম্বা মীওইনো হায়বরোমদদি মখা তানা তকথরক্তবগুম তৌই। মখা তাবা মীফা-মীপূনগী পাউ হেক্তা তাদে। অদুবু অসিগুম্লবা থৌদোকশিং অসি থোক্লে হায়দুনা ঐখোয়গী পুলিস পর্সনেলশিংসি খঙদ-হৈতবা পঙবনি হায়বা য়ারোই। ত্রেনিং মনুংদা হীরম খুদিংমক্তা ‘এক্সিলেন্ট’ কী মার্কিং ফংবা কোকথোং অমা য়াওরি। ‘গুদ সর্ভিস মার্ক’ (জি এস এম) ফংবসু ময়াম য়াওরি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস (আই পি এস) কী রেঙ্কতা লৈরবা ওফিসর কয়ানা দিপার্টমেন্টসি লমজিংলিবনি। মশ্বাইদদি পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনদা মীনু চঙবগী থৌদোক হেক হেক থোক্লব্রা হায়বগী ৱাহং চোঙথোরকই। অদুগা খ্বাইদগী থেঙনা থোকপা ইনভেষ্টিগেসনদা অহোবা লৈরব্রা চিংনরবা থৌদোক অমদনা ওক্টোবর ১৩, ২০২২দা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা ‘মিসিং রিপোর্ট’ ফাইল তৌখিবা চহী ২০ মুক্তা শুরিবা মহৈরোয় নুপামচা অমা অশিবা হকচাং ওইনা ফংলবা মতুংদা অন-ক্লেম দেদ বোদিনি হায়দুনা দিস্পোজ তৌরম্বগী থৌদোকসিনি। হোয়, মিসিং রিপোর্টনা হৈঙাং পি এসতা তৌবনি। দেদ বোদি ওইনা ফংবনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফংবনি। মসি ওইরবা ফাওবদা মিসিং রিপোর্ট অদু জেনরেল দাইরি (জি দি) দা ইন্ত্রি তৌবা ওইরগদি ওল পুলিস ষ্টেসনদা ‘ক্রাশ মেসেজ’ অমা থাগদবসু থাহৌদ্রবরা? মিসিং রিপোর্টকা হকচাং ফংবগসু চহীরোমদা কান্নখিবসু নত্তে। নৎত্রগনা দেদ বোদি ফংলগা ৱাইদ পব্লিসিটি তৌহৌদ্রবরা? ফংলিবা পি এসকা হৈঙাং পি এসকা পাউ ফাওনহৌদ্রে হায়বসিমদি ময়েক শেংলে। মসিগুম্বসিবু থোরকহল্লকপফম থোকপা ৱাথোক্লা হায়বনি। হান্নদগীসু তৌবুদি তৌরি হায়রক্কনি অদুবু ইভেষ্টিগেসনগী থবকশিংদা ‘লাপসেস’ লৈহন্নীংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) **‘‘ৱাখলগী লৈকোল’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **‘‘থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) **‘‘ৱাকৎ’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪) **‘‘জনান্তিক’’** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?
৫) **‘‘অওনবা সমাজ’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*
১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবি মখা লৈকায় - (৫)
২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৩,৪,৫)
৩) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোং - (৩,৫)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)
৫) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৩,৪,৫)
***৬) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫২গী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# নীংশিংলকপদা জিরিবাম

### হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২৫

## জিতেন নামৈরাকপম



মৈতৈগী এঙ্গাংদা ঐনা খ্বাইদগী ঙাওজবা মথেল ২/৩ লৈজে। শৌগ্রী থোংবা, কনাগুম্বা মীনগদি নোক্লিংলম্বসু য়াই। হংলকপসু য়াই - ‘শৌগ্রীনা কয়া য়াম্না হাউরদনা?’’ ওইনীংবসু ওইজসনু। শৌগ্রী ঙারি-ঙাতাই, মৈতৈ ঙা অয়াইবা ফজনা মন্থোক্তুনা থাক্লবা শৌগ্রী থোংবগী মহী হাইরপ চিংলগা চাক্লা তোৎলবা মতুং পাক্লম অহাউবা অমগা, থাংজিং মোরোক মেৎপা অমগা হাপ্লম্বা মদুদা ঐ অদুম লেকথরে। মখা তারকপদা কৈথেলদা শীংজমৈ, পিশুম কৈথেল হাওবম মরক্কী কৈথেলশিংদা থিবদা ফংদ্রগদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুং মপান থিবদা চেঙ্গুমগী মতম খূৎশেম্না থাবা নত্তবা নেচরেল্লি হৌজবা নারিন, ফৌগাপ, চরুয়েন... অদুগা খজিং অতেকপা, খজিংসু অচৌবা মকোই পানবা হাউতবা অদু নত্তে। কুপ্লক তৌবা পুখ্রিদা, পাৎতা কৈদা লৈবা খজিংদুনি ঐনা ঙাউজরিবসি।

ঐনা অমুক খঞ্জে। মৈতৈগী ইপা ইপুশিং অবোক, ইবেনশিং অসি অদুক্কী মতিক চান-থক্লবা শেন্বা হৈবজাৎনি খঞ্জে। উতি অশংবা, পাঙখোল্লা হেক্লগা মনা মশিং মতোন থৎলগা ইঞ্জোলদা হৌবা মনা মশিং, হৱাই থরাক পাম্বী মৈ থাদোকখিবগী উৎ অদু লৌরগা থোংবা উতিগী মহাউ মালেমগী মফম অমত্তদা লৈরম্লোই খঞ্জে। ফনবু হৈরিয়ে। কনা অমত্তদগী লৈদনা, নিদনা ইঞ্জোলদা হৌবা মনা মশিংতনা চহী অমা ফানা শেল তিংদনা হিংবা ঙম্লম্মী। পেরুক, হঙ্গাম, কোবী, আলু, মখল মখলগী হৱাই পাম্বী, য়েন্দেম, পান, পানখোক, কেঙোই, য়েল্লাং, য়েরুম কাইরুম (থাদ্রগসু পংহৌদা হৌজবা) মখল মখলগী পাম্বী কয়া হৌজিক্কী অঙাংশিংনদি খঙলরোই। মসিনসু লোইবা নত্তে। হৈ-রাগী ৱাফম অমুক লাক্লি। মৈতৈগী লৈপল তারগা নাকন্দা খোংবান থম্লগা, ইঞ্জোল মনুংদা পুখ্রি অমা থম্লগা ইঞ্জোলগী অকোয়বদা হৈ-রা অদুক্কী মতিক য়াম্না থানরম্মী। হৈনীং, হৈবী, হৈয়াই, হৈনজোম, হৈখা, হৈনৌ, হৈবুম, হৈয়েন, হৈগ্রু, হৈবান, হৈদাং... হৈগী হৈ মক্তনি। মতম অদুদা ইঞ্জোলগী ইচেশিং, ইচলশিং হৈ মেৎলগা চানবগী চৎনবী অমা লৈরম্মী হায়বসি হৌজিক্কী মেগ্গী, চিকন ফ্রাই, বিরিয়ানি, মত্তন, পোর্ক চিন খক্তং হাওরগা ইকান কান্নবদি নত্তবা চারিবা ইচা ইশুশিংগী তুংগী হেল্থ কন্দিসন খল্লুবদা ৱাদবা ঙমদে হায়নীংই।

ঙাসু ৱাত্তে, হৈ-রাসু ৱাত্তে, চেঙ-চাকসু ৱাত্তে পূম্নমক ৱাত্তে হায়বা য়াই মতম অদুদা। ঐখোয়গী নাকলগী খোংবান মচা অদু থিংজিল্লগা ঈশিৎপা মতমদা ফাখি ঙামু, ঙাক্রা, উকাবী, ঙামেম্মা, ঙাশাং। চানীংবা মতমদা মমাঙ ইঞ্জোলদা লৈবা পুখ্রি অদুদা ঈন চিংলগা মৈতৈ ঙা কয়া ফাদুনা ঙারৌ ওইনখিবা অদু খল্লুবদা নুংশিরকই। অদুগা অমুকসু ইচেশিংনা ফিশা কোন্দা পাঙ্গন্দেম হুন্দুনা ফি শাখিবা তেক-তা-ঘমগী মখোলসু তাখিদবা চহী ৩০/৪০ হেল্লক্লে। মতম অদুদা চেঙ কবোক চান্নবী হায়বগী চৎনবী লৈরম্মী। চেঙদু শুম্বলদা শুক্লা শুরগা কুপহনবসু য়াওই, চেঙ ওইনা চুহি লোল্লগা খাংদা হাপচিন্দুনা ওৎখায়রগা কাবক কাবক ঈংহল্লবা মতুংদা খূৎনা খূবাক্লা চবেৎ চবেৎ চপ্লগা চাখিবা চেঙ কবোক হৌজিক্তি উবা শুংফং ফংখিদ্রে। অদুগা অমুকসু অবোক্লা লৈরকপা শামু তল, শগোল, চিনি কোচিয়া, করি করিনো জাৎ জাৎ য়াম্না পাম্না চাজখি। অদুবু হৌজিক্লা অমুক কমদৌবা? পুমওন ওনখ্রে হায়বা য়াই। পেক্কিং তৌরগা লাকপা মহাউদি লৈবা হকচাংদদি ইকান কান্নবা নত্তবা অচাপোৎ ঙাক্তনা লাঙ্গোই চনশিনখ্রে। মখোয়নবুদি হাওনা চাজরি। তৌবতবু মখোয়গীদমক খল্লুবদা ৱাদবদি ঙমজদে।

পূম্নমক অসি লোইনা তোকথোকখ্রসি ফরেনে। তৌবতবু ঐখোয়গী তুংগী লাইবক কমদৌবা। ৱাজরিবদি মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক মীপাল তাংনা হিংবা হায়বদু ওইরক্লে। চেঙ, চাক, আলু, তিলহৌ, হৱাই, থুম, থাউ মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী মণিপুরদা থোকচবা পোত্থোক খরা অসিনা কোন্নবা ঙম্বা নত্তে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী নাগা মপাল পরেংদা চৎপদা উবা ফংবীগনি। আলু, থাও, থুম, মনা-মশিংদা হায়রগনা খামেন অশিনবা, বারমাসিকা, হৱাই থরাক, হৱাই অমুবী, বিন্স (হৱাই অতেনবী/অশাংবী), মোরোক অতেকপা, ব্রোকোলি, কোবী থমচেৎ মানবী, হৈ-রা, ঙা ফংদবা অমত্তা লৈতে। মপান লমদগী লাকপা মক্তনি। নোংমা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী লৈকং থোং মখা, শামু মখোঙদা অয়ূক্কী মতমদা ফম্লম্বা ষ্ট্রিট ভেন্দর ইমা অমদগী লৈরকখি পৱাদা লুপা ৮০ পীবা হৱাই থরাক মকু চাবী। লৈরকখি মথং মথং হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবদা লাইনিংথৌ, লাইরেম্বীদা কৎনবা আলু অবের চাইবী, খামেন, হৱাই অতেনবী/অশাংবী, হৈ-লৈ মখল কয়া কয়া।

মতাং অসি য়ৌরকপদা পোৎকী মমলগী ৱা অমুক লাক্লে। ঐখোয়গী লৌমীশিংনা ৱানা থা-খোৎতুনা শেন্নজরিবা পোৎকী মমল হোংথহনবা ঙমদ্রে। লেবর চার্জ, হার-নুং, মরূ-মরাংগী অমদি অতৈ অতৈগী পাশিল্লুবদা পোৎকী মমল শেল মাঙনা কনানসু য়োন্নীংবা হৌনদে। শোমদনা অসামলোমদগী পুশিল্লকপা মথক্তা পঞ্জখিবা মনা মশিংনা হোঙনা হোঙনা থাদোরক্লি। মণিপুর সনা লৈবাকনি হায়জরগসু লায়রবতনা নম্না লৈবা কংলৈপাকনি। লায়রবনা অহোঙবা পোৎ থিবা হৌনশানি। খ্বাইদগী হেন্না লুশিল্লক্লিবদি জিরিবামদগী নোনেগী খোংশাং য়ৌনা ত্রেন য়ৌশিল্লকখ্রে। ত্রেন লাক্ত্রিঙৈ ফাওবদা অসামদগী মনা-মশিং হোঙনা পুশিল্লক্লগদি ঐখোয়গী লৌমীশিংগী পোত্থোক পৎতুনা মাঙলগদ্রা পাখৎলকই। মণিপুরদা পুথোকপা কিলোদা লুপা ১২০০ পীবা শরেং লায়রবনিনা লৈহৌদ্রে, চাবসু চাহৌদ্রে। বেঙ্গলিগী, কোলকটাদগী লাকপা কিলো ৬ মখায় অমনে কিলো ৪ হেন্না লূম্বা পূন্না কিলো ১০ হেনবা সমুদ্রদা, তুরেল অচৌবদগী ফারকপা কিলোদা লুপা ৪০০ পীবা ঙা অদু ওইনা ইচেশিং, ইনে, ইচলশিং ঐখোয়গী ককা হোয়, ইয়াম্বশিং পূন্না নিংঙোল চাক্লৌবগী থৌরম পাঙথোকচখি। পূম্নমক হাউই-হাউই হায়দুনা হরাউনা চামিন্নখি।

ঐনা হায়জনীংবা অমত্তং লৈজে। উনগী ঙা ফোর্মেলিন হাপ্পী, কেমিকেল হাপ্পী পংহায়দা হায়নৈ। অন্ধ্র প্রদেশতগী লাকপা উনগী ঙা ঐ দেল্লীদা চারকই, কোলকটা, ওরিষাগী সম্বলপুর, গুৱাহাটি, সিলিগুরি, পঞ্জাব, য়ু পিগী মিরুটতসু য়াম্না হাউনা চান্নহৌই। কনাসু কমপ্লেন তৌনহৌদে। দেসকী উনগী ৱৌ কিলো অমদা অদুসু কট্টিং তৌহল্লগা শুপ্নতগী লুপা ১৬০/১৭০দা ফংই। ঐখোয়গী মণিপুরদা ফংবা ঐনদি কয়া পামজদবা গ্রাস কার্প কিলো ২/৩ য়ৌরগদি কিলোদা লুপা ৩০০দগী ৩৫০ ফাওবা পীখ্রে। অমুক্তং খন্থবিয়ু লায়রবা মপা-মচা, নিংঙোল লুহোংখিবগী চাক্লৌবগী ঙা থোংবদা কিলোদা লুপা ১৭০ পীবা লৈগদ্রা নৎত্রগা লুপা ৩৫০ পীবা লৈগদ্রা? হেন্না ৱারিবদি করিগুম্বদা জিরিবামদগী ইম্ফালগী য়ুরেম্বম তান্না ত্রেন য়ৌশিল্লক্লগদি মনা মশিং, হৱাই-চেঙৱাই থাজরিবা লৌমীশিংদা অসুক্কী মতিক নীংবা কায়বা শাফু পীরক্কদ্রা পাখৎলকই। অমুক্কসু হেন্না নীংশিংলকই জিরিবামগী হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনীংগী ফুটবোল গ্রাউন্দ, ঐগী ফুটবোল শান্নফম। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯০

### ৱাখল ইহুল

## সোরাম ইবোহল লুৱাং

মথক্কীদা পনখিবা লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৬০গী অনীশুবা মকক লোইরমদাইদা - ‘‘শ্রীশ্রী অনুপ্রভু, মৈত্রবাক্কী লৈবাক্কী লাই শ্রী গোবিন্দজি শাখিবা... খৃ: ১৭৯৮ (কুমজা ১৭২০) দা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (খৃ: ১৭৫৯-৬২, ১৭৬৩-৯৮) ... দা মচাইবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলোন বিম্বাবতীগা লোয়ননা পুখিদুনা নদিয়া জিলাগী নবদ্বিপ ধামদা ... লাইশঙ অমতদা খৃ: ১৭৯৮ সিদগী লাত্তুনা থৌগল চঙলকখিবনি। খরা খেন্নবা ৱাফম অমদি শকাব্দ ১৭১৯ (হায়বসি খৃ: ১৭৯৭) দা শ্রীনবদ্বিপ ধামদা স্থাপন তৌবিখি।

i) অমুকসু লাইরিকসিমক্কী চেমায় ২৭কী অহানবা মকক হৌবদা অসুম্না য়াওরি - ‘‘শ্রী চীংথংখোম্বা মহারাজনা নবদ্বীপুগী শ্রীধাম বৃন্দাবন যাত্রা লেঙলবদা ভগবানগী নোংদম্না শ্রীপটি খেতরী য়ৌরকপদা শকাব্দ ১৭২০ (খৃ: কুম ১৭৯৮) মেরা থাগী ৩নি পানবা ওক্টোবরগী তাং ২২ লৈবাকপোকপা (লৈবাকপোকপা হায়বসি নিংথৌকাবা ওইগদবনি) নুমিৎতা শ্রী ভগবানগী চরনদা চঙজখি।’’

ii) রাজর্ষিগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবগী মতাংদা খরা মান্নদবা মওংদা লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৩৯-৪০দা অসুম্না ইরি, ‘‘তৌইগুম্বসুং গোভর্ণরদগী সহি ফংদ্রিঙৈদা রাজর্ষি... শ্রী নরোওম ঠাকুরগী মশাগী আশ্রমদা মেরাগী ৩নি পানবা ইরাই নুমিৎ পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি। মথক্তা পীরিবসিগা চপ মান্নবনা - খৃ: ১৭৯৮-১০-২২ (মেরাগী ৩নি পানবা) দি নিংথৌকাবা ওইবনা লৈবাকপোকপা অমদি ইরাই হায়রিবা অনীমকসি লাল্লি)। ৱাফম অসি চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না হায়রি - ‘‘লাইরিক য়েংবা অরোইবগী কুমদি শক ১৭২০ মেরা থা পুর্ণিমা ইরাই নুমিত্তা শ্রী ব্যাক্ষেত্রদা শ্রীমহারাজ চিংথংখোম্বা নোঙ্গাইএ। (লা: ১৬৩-১৬৪)’’

iii) অমুকসু, লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৭৪গী ২শুবা মকক্তা ‘‘চহী ৪০ (নিফু) চূপ্না ... মশাগী চহী ৫৮ শুবদা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মুর্শিদবাদকী জীয়াগঞ্জ গঙ্গা মপালদা খৃ: ১৭৯৮গী ওক্টোবরগী তাং ২২ মেরাগী ৩নি পানবা ইরাই নুমিত্তা নোঙ্গাখি।’’

মথক্কী (i) দগীনা (iv) ফাওবগীদা ঙহাক্তং নৈনদুনা য়েংবদা চীংথংখোম্বা/ভাগ্যচন্দ্র/রাজর্ষিনা লৈতবগী মতাংদা মান্নবা ৱাফম অমদি খৃ: ১৭৯৮/১০/২২ (শক ১৭২০), মেরাগী ৩ নি পানবা অসিনি হায়না লৌবদা তারিখ ২২সি নিংথৌকাবনি - লৈবাকপোকপা অমদি ইরাই নত্তে। মান্নদবা মরম অমদি - (iii) দা চৈথারোল কুম্বাবদা চীংথংখোম্বা লৈতবগী নুমিৎসি শক ১৭২০ মেরা থা পুর্ণিমা ইরাই হায়না ইবসি অতৈনদি পন্দে। করম্বনা চুম্বনো খঙদে। অতোপ্পা ৱাফম অমনা মেরাগী ৩নি পানবসি তাং ২২গা চানবা নুমিৎ ওইরবদি নিংথৌকাবা নুমিৎ ওইবনা অচুম্বনি - লৈবাকপোকপা অমদি ইরাইদি লাল্লি। চৈথারোল কুম্বাবদা মেরাগী থানিল (পুর্ণিমা) ইরাই নুমিৎ হায়রিবসিসু মেরা ৩নি পানবসিনা নিংথৌকাবা ওইরবদি (তারিখ ২২গা চানবা) থবান ৩দগীনা ১৫নি ফাওবসি থবান পানশিন্নবা য়াওদ্রবদি নুমিৎ মশীং ১৫নি ওইগদবদা থাংজ নুমিৎ ওইগনি। নোংমা অমা থবান অনী পানশিন্নরবদি ইরাই নুমিৎ ওইবসি চুমই। খন্নগদবা ৱাফমদি ভাগ্যচন্দ্র মশা শিবগী নুমিৎ অমদি থবান মান্নদবসিনি। চহী হায়বসি শক ১৭২০ হায়বসি খৃ: কুমশিং ১৭৯৮দি মান্নরগা/শম্না হায়রবদা, ইজরিবা ইশাগীদমক্তদি খরা শোয়নবা উৎলম্বা খক্তনি। অমুকসু, চেমায় ১৯গী ১বা মকক্তা - ‘‘খৃ: ১৭৯৯গী মেরাগী হুমনি পানবদা মুর্শিদবাদকী শ্রীপাট ক্ষেত্রদা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র নোঙ্গাখি।’’

মপাইবুংঙো চীংথংখোম্বা/রাজর্ষি লৈখিদবগী চহীদি মান্নরগা থবান অমদি নুমিৎতা মথক্তা উৎখিবদা খেন্নবা খরা থেংনরবা মতুংদা মচাইবেম্মা বিম্বাবতী/শিজ লাইওইবী/শিজ লাইরোইবীগী মশা লৈখিদবগী মতাংদা মথক্তা পনখিবা লাইরিকসিমক্কী চেমায় ২২শুবগী ২শুবা মকক্কী অরোইবদা অসুম্না ইরি - ‘‘শিজ লাইরোইবীনা শ্রী অনুপ্রভুগী থৌগলদা লৈরম্লগা খৃ: ১৮২১ (১৭০৩ শকাব্দ) দা মশাগী চহী ৫০ শুবদা সংসারদগী বিদাই লৌখি।’’

ৱারৌবীবা য়াদে, ৱারেং মতেকসি/মপূং ওইনা পাবিরিবশিং অমদি ৱারেংজরিবা ইশাগী মায়কৈদগী খঙজনীংবদি - মচাইবেম্মা বিম্বাবতী লৈখিদবা অশেংবা খৃষ্টাব্দ কুমশিং ১৮২১লা নৎত্রগা শকাব্দ ওইরগনা ১৭০৩লা অনীসি মশীং ৪০ হায়বদি চহী ৪০ খেন্নবনা খঙফম খঙদ্রে। শম্না হায়রবদা, বিম্বাবতী শিখিবগী চহীসি মথোং মরম খঙদ্রে হায়না লৌজরে।

মথংসিদি ঈনাৎ লাইনীং লীচৎ চৎপা মশীং নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলকপগী মরমশিং হায়বসিগী ৯শুবা মরম নৈনবগী মখা তারকপদা ইরমদমগী খুন্নাইশিংনা নৈনবদা খূৎলোয়নবা/লায়নবা মচং ওইবা ৱাফম খরা মখাদা অসুম্না থমজরি।

(ক) খৃ: ১৯৭২দা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ লিংখৎপদগী হৌজিক লৈরিবা মন্দির (শঙলেন) সিদা গোবিন্দ লাৎপা হৌরকখি।

(খ) খৃ: ১৭৭৬কী নবেম্বর থাগী য়াইফরবা পুংফমদা রাজর্ষিনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি অমসুং রাশেশ্বরিগী মুর্ত্তিশিং লংথবালগী কাঞ্চিপুর কোনুংগী মশাইগোন্দা নীরুপন তৌদুনা লাৎপা হৌখি অমসুং রাম লীলাসু পাঙথোকখি। (মথক্কী লাইরিকসিগী চেমায় ৩৪গী অহানবা মকক; চেমায় ৩গী অহানবা মকক)

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রীগোবিন্দ নীরুপন তৌরগা লংথবান্দা অভিষেক তৌরে খৃষ্ট ১৭৭৯দা। শ্রী গোবিন্দ নিরুপন তৌবা লোইরগা অভিষেক তৌবদা মহারাস জগোয় কৎনবা কার্ত্তা মহারাজনা শেমগৎলকখি। (মথক্কী লাইরিকসিগী চেমায় ১২গী ৩শুবা মকক্কী অহৌবা; চেমায় ৯গী ১বা মকক্তনা লংথবালগী রাম মণ্ডলদা য়াম্না চাওবা কুম্মৈগা লোয়ননা শ্রীগোবিন্দজিগী মুর্ত্তি লাৎপা খৃ: ১৭৮০ হৌখি হায়না পীরি) চহী ৩-৪ ফাওবা খেন্ননা পীরি

(গ) খৃ: ১৭৯৮দা অনুপ্রভুগী মুর্ত্তি নবদ্বীপ ধামদা লাৎপা হৌরে। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২গী পাউখুম

১) **‘‘মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবনো? **:- খোমজিনবা - লমাবম গোজেন্দ্র; অহানবা ফোঙবা, সেপ্টেম্বর ২০১৭।**
২) **‘‘অমংবা নোংলক্কী নোংথাং’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা সত্যবতি নিংঙোম্বম; লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচা; অহানবা ফোঙবা সেপ্টেম্বর ২০০০।**
৩) **‘‘নির্মলা’’** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল অইবা - মুন্সি প্রেমচান্দ; মণিপুরীদা হন্দোকপা কে ঐচ ইবেতোন দেবী; অহানবা ফোঙবা ওক্টোবর ২০০৪ ইং।**
৪) **‘‘বরাক তুরেল তোর্ব্বান্দা’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমগীনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা- কব্রম্বম নীলকান্ত সিংহ (উধারবন, কাছারদগীনি); লাইরিক্কী মখল - শৈরেং; অহানবা ফোঙবা নবেম্বর ২০০২।**
৫) **‘‘বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ’’** (১৯৭৩) কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা রাজকুমার শ্রী স্নাহল সিংহ; অহানবা খূৎনম ১৯৭৩।**